**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 03-05-2026)**

**কোকোমি (এল)ঃ** মনিপুরদা ইং ২০২৩ গী মে অহুমদগী হৌদুনা থোক্লিবা ঈরাং অসিগী ৱারোইশিন পুরকবা কোওর্দিনেতি কমিতি ওন মণিপুর ইন্তিগ্রিতি (কোকোমি) গী মীফমনা তোঙান তোঙানবা ৱারেপ তরুক লৌখ্রে।

ইম্ফালগী পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা ইবোয়াইমা শুমাং লিলা শঙলেনদা মনিপুর পিপলস কনভেন্সন ওন থ্রি ইয়ারস ওফ মনিপুর ক্রাইসিষ্ট হায়বা হীরমদা পাঙথোকখিবা মীফম অদুদা তোঙান তোঙানবা ফুরুপকী লুচিংবশিং অমদি অখঙ অহৈ কয়ানা শরুক য়াখি।

মীফম অদুদা লৌখিবা ৱারেপশিং অদুগী মনুংদা-কেন্দ্র সরকার অমসুং রাজ্য সরকার অনিমক্তা গনন্ত্রিক ওইবা মওংদা খোঙজংশিং চংশিনদুনা ইরাং অসি লোয়শিন্নবা তকশিনবা, ত্রোংলাউবী অমসুং টি-এম. কসোম খুলদা থোকখিবা থৌদোক অদুদা চেন্নবা মীওইশিং অথুবা মতমদা ফাদুনা চৈরাক পীনবা অমদি থৌদোক অসিগা মরী লৈননা মীওই অহুম লৈখিদবগী মতাংদা জ্দিসিএল ইনক্বারি চথুনবা তকশিনবা, ইরাং অসিদা লাঞ্জেন্নদুনা লৈরিবা মীওইশিংগী মীহুৎ য়াওবা দিলিগেসন অমা শেমদুনা রাজ্যগী মুখ্য মন্ত্রিনা লুচিংবা মীহুৎ কাংবু অমদি কেন্দ্র সরকারগী লুচিংবশিংগা উন্নবনচিংবা য়াওরি। চহি খুদিংগী মে অহুম অসিবু এন্টি নার্কো টেরোরিজম ডে হায়না লাউথোকবা মীয়ামগী মীফমনা ৱারেপখি। য়ুনাইটেদ নেসন্স অমদি মসিগা মরী লৈনবা লুপশিংদা মে অহুম অসি ইন্টরনেসনেল এন্টি নার্কো টেরোরিজম ডে হায়না লাউথোকপীনবা তকশিনবা ৱাফমসু য়াওরি।

নুমিদাংগী মতমদা মণিপুরগী ইরাং অসিনা মরম ওইদুনা লৈখিদ্রবশিংগী মফমদা কংলাগী নোংচুপ থংবা শরুক্তা মৈরা কৎতুনা ইকায় খুমবা উৎখি।

রাজ্য অসিগী তম্পাক্কী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা নুমিৎ অসিগী থৌরমশিং পাঙথোকখি। থৌবাল জিলাগী লমদিংদা পাঙথোকপা থৌরমদা খাঙবোক কেন্দ্রগী এম.এল.এ. ওক্রম সুরজাকুমারনা শরুক য়াদুনা মনিপুরগী ইরাং অসিদা লৈখিদ্রবশিংগী মফমদা ইকায় খুমবা উৎখি।

থৌরমদুদা শ্রী সুরজাকুমারনা হায়-কেন্দ্র সরকার অমসুং রাজ্য সরকারনা অথুবা মতমদা চহি অহুম হেল্লবা ইরাং অসিগী ৱারোইশিন পুরক্তুনা শুফম নোম্ফম খঙদ্রিবা, মহে মশিং নীংথিনা তম্বা ফংদ্রিবা মহেরোইশিং অথুবা মতমদা ফংহন্নবা হোৎনবীয়ু।

**কংগ্রেস (এল)ঃ** সি.এল.পি. লুচিংবা কৈশাম মেঘাচন্দ্রনা হায়রি-চহি অহুম মপুং ফারক্লবা রাজ্য অসিগী ইরাং অসি অথুবা মতমদা ৱারোইশিন অমা পুরক্তুনা লোয়শিন্নবা মীপুম খুদিংমকা হোৎনমীন্নসি।

ইরাং অসিনা অৱাবা নংলিবা আই.দি.পিশিং মশা মশাগী ময়ুমদা হনজিন্নবা সরকারনা হোৎনবগী তঙাইফদবা লৈ। ঙসিগী থৌরম অদুদা ইন্দিয়া ব্লোক্তা য়াওরিবা রাজনিতি দল ১০ গী লুচিংবশিংসু শরুক য়াখি হায়রি।

**শিব সেনা (এল)ঃ** শিব সেনা মনিপুর প্রদেসনা হিংশাগী থবক থাদোক্তুনা শান্তিগী ৱারী শানবা মীপুম খুদিংমক্তা আপিল তৌরক্লি। ২০২৩ গী ঙসিগী নুমিৎ অসিদা রাজ্য অসিদা থোকখিবা থোকহন্নিংদবা থৌদোকশিংদা থৱায়না পোন্থা পীখ্রবা মীওইশিংদা লৈ-শু কৎতুনা শিব নো মনিপুরনা ইকায় খুমবা উৎখ্রে।

বাবুপারাদা লৈবা দল অসিগী ওফিসতা পাঙথোকপা থৌরম অমদা দলগী প্রসিদেন্ট-এম. তোম্বীনা হায়-হীরম খুদিংমক্কী ৱারোইশিন শান্তি ওইনা ফম্মীন্নদুনা পুরকপা ঙমগনি। মাংলমচৎতসু থৌদোক কয়া ফম্মীন্নদুনা ৱারোহশিন পুরকখিবা ঙাক্তনি। হিংশাগী থৌদোকা মীওই কয়া লৈখিদ্রে। মীওই কয়ানা থিবা খঙদ্রি অমসুং মীওই কয়ানা ময়ুম মকৈ লৈফম লৈত্রি। মীপুম খুদিংমকা অমত্তা

ওইনা পুনশিন্দুনা রাজ্য অসিদা শান্তি হনজিলহন্নবা হোৎনবগী তঙাইফদবা লৈ।

**এমপিপি (এল)ঃ** মনিপুর পিপলস পার্টি (এম.পি.পি) না ২০২৩ গী মে অহুমবু নীংশিংদুনা ঙসি দল অসিগী ওফিসতা ৱাকৎ মীফম অমা পাঙথোকখ্রে।

দল অসিগী চেরোল অমনা হায়-সরকার অসিনা অথুবা মতমদা সেন্সস তৌদ্রিঙৈ মমাংদা এন.আর.সি. হান্না তৌবিয়ু। রাজ্য অসিগী মফম অমদা চৎথোক চৎশিন তৌবদা অয়েৎ-অপন লৈতনা অথুবা মতমদা চৎপা য়াহনবীয়ু। আই.দি.পিশিংবু খুন্দা লৈতাহনবীয়ু হায়নসু দাবী তৌরি।

**এনপিপি (এল)ঃ** নেসনেল পিপল পার্টি (এন.পি.পি) অমসুং নেসনেল পিপলস য়ুথ ফ্রন্ট-মনিপুরনা শিনদুনা ঙসি ২০২৩ গী মে অহুমগী থৌদোক্তা লৈখিদ্রবশিংগী মফমদা ইকায় খুমবা উৎপা ওইনা মৈরা কৎপা অমসুং ঈশ্বরদা থৌনিবগী থৌরম পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা তোঙান তোঙানবা ফুরুপশিং, মীওইশিং শরুক য়াখি। এন.পি.পি. মনিপুরগী প্রসিদেন্ট-ডা: লোরহো এস. ফোরজেনা হায়-রাজ্য অসিদা লৈরিবা মীপুম খুদিংমকা শান্তি পুরকবা হোৎনবদা ইশা ইশাগী ওইবা থৌদাংশিং লৌফম থোকই। অমনা অমবু ঙাকপীবা ঙম্বগী থম্মোয় মীপুম খুদিংমক্তা চেল্লি। মরম অসিনা মীয়াম পুন্না হোৎনমীন্নদুনা অথুবা মতমদা তংদু লৈতাবা, শান্তি লৈবা লমদম অমা ওইহল্লসি।

**ডে (এল)ঃ** মালেমগী অতৈ মফমশিংদা পাঙথোকবগুম মণিপুরদসু ঙসি ৱার্ল্ড প্রেস ডেগী থৌরম পাঙথোকখ্রে। মপুং ওইবা থৌরম রাজ্যগী দাইরেক্তোরেট ওফ ইনফোর্মেসন এন্দ পাব্লিক রিলেসন্সনা ওল মণিপুর ৱার্কিং জরনেলিষ্ট য়ুনিয়ন (অমজ) অমসুং ইদিটরস গিল্ড মণিপুরনা শিন্দুনা নুমিৎ অসি পাঙথোকখি।

শান্তিগীদমক তুংগী মায়ওন শেন্বা হায়বা হিরমদা দি.আই.পি.আরগী

ওদিতোরিয়মদা পাঙথোকপা থৌরমদা আই.পি.আরগী দাইরেক্তর-ডাঃ টি.ঐচ. চরনজিৎ সিংহনা হায়-ঈ-পাউগী লমদা লৈরিবা মীওইশিংনা প্রেসকী নীংতম্বা অমসুং সংবিধান্না পীরিবা রিজনেবল রেষ্ট্রিক্সনশিং ঙাক্তুনা চৎপগী তঙাইফদবা লৈ। রাজ্য অসিদা ইং তপ্পা অমসুং চাওখৎপা পুরকবা  হোৎনবদসু প্রেসকী থৌদাং লৈ।

থৌরমদুদা ৱা ঙাংবদা ইদিটরস গিল্ড মণিপুরগী প্রসিদেন্ট খোগেন্দ্র খোমদ্রামনা হায়-পাউমীশিংনা ফিল্ড পাউ লৌবা মতমদা চেকশিন্না অমদি পাউ অদু থিবা মতমদা তুংদা করি ওইরক্কনি হায়বদুসু খন্থরগা চেকশিন্না ইবা মথৌ তাই।

থৌরম অদুদা অমজ্গী প্রসিদেন্ট অশেম ভক্তা, পাউমীশিং অমদি অতৈ মীওই কয়াসু শরুক য়াখি।

উখ্রুল জিলাদসু ৱার্ল্ড প্রেস ফ্রিদম ডেগী থৌরম উখ্রুল ৱার্কিং জর্নেলিষ্ট এসোসিয়েসন অমসুং সোসাইতি ফোর ইন্দিজিনস কলচর এন্দ ইনভাইরোনমেন্টনা শিনদুনা উখ্রুলগী প্রেস ক্লবতা পাঙথোকখি।

**ফোক্স (এল)ঃ** অহুল্লকসুবা থার্দ মে নিংশিং নুমিৎকী থৌরম ফেদরেসন ওফ সিভিল সোসাইতি ওর্গনাইজেসন (ফোক্স) মণিপুরনা শিন্দুনা ঙসি ইম্ফালগী জৱাহরলাল নেহরু মণিপুর দান্স একাদমিগী ওদিতোরিয়মদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অসিগী হিরমনা ব্রিজিং দিভাইদ ফোর এ সিয়ার ফ্যুচর হায়বসিনি। থৌরম অসিদা ফোক্সকী এক্তিং প্রসিদেন্ট বি.এম. য়াইমা সাহ য়াওনা তোঙান তোঙানবা সিভিল সোসাইতি ওর্গনাইজেসনশিংগী মীহুৎশিং শরুক য়াখি। থৌরম অসিদা ওরিয়েন্তেল কলেজ ইম্ফালগী হিষ্ট্রি দিপার্টমেন্ট এসিষ্টেন্ট প্রোফেসার ওইনাম দনিয়েলনা রিছোস পার্সন ওইনা ৱা ঙাংখি।

**বোম (এল)ঃ** ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী মনুং চনবা মালোমদা লৈবা ক্রেমেটোরিয়ম

অমগী মনাক্তা ঙসি অয়ুক বোম অমা পোকখায়খ্রে।

পুলিসকী পাউনা হায়-থৌদোক অসিদা অশোক অপন য়াওবগী পাউ লৈতে। থৌদোক অসিগী মতাংদা থিজিন হুমজিনবগী থবক চথুরি।

অমরোমদা, মনিপুর য়ুনিভরসিতিগী কেম্পস মনুংদা নুমিৎ খরনিগী মমাংদা থংন-থংননা বোম অনি পোকখায়হল্লম্বা থৌদোকপু মনিপুর য়ুনিভরসিতি টিচরস এসোসিয়েসন (মুতা) না অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোংদোক্লি।

মুতাগী চেরোল অমনা হায়-লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী মহৈ তম্বা লাকপা মফম অমা ওইরিবা য়ুনিভরসিতি কেম্প মনুংদা অসিগুম্বা থৌওং চথুবা অসি লাইবক থিবনি।

**হোম গার্ড (এল)ঃ** রাজ্যগী হোম বিভাগনা অৱাৎপা কর্ম্মচারিশিং লৌবদা হোম গার্দকী ওইবা রিজারভেসন পীবিনবা গৃহ মন্ত্রালয়না খঙহল্লকখিবা অদু থবক্তা ওন্থোকবা মনিপুর হোম গার্দ ইমপ্লোয়ি ৱেলফিয়ার এসোসিয়েসননা তকশিল্লক্লি।

এসোসিয়েসন অসিগী ওফিসতা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা এসোসিয়েসনগী প্রসিদেন্ট-ৱাই. মঙ্গিনা হায়-রাজ্য অসিদা অনৌবা জিলাশিং খাইদোকখিবগী মতুং ইন্না হোম গার্দ পার্সোনেলশিংগী অৱাৎপা কয়া লৈরি। গৃহ মন্ত্রালয়গী মতুং ইন্না রাজ্য অসিগী ওইনা অপুনবা হোম গার্দ মশিং অসি লিশিং ৩,০৩০ লৈগদবনি।

মহাকা হায়-গৃহ মন্ত্রালয়না রাজ্য অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটোরিশিংগী গ্রুপ (সি) অমসুং গ্রুপ (দি) গী থবক লৌবা মতমদা হোম গার্দ পার্সোনেলশিংগী মরক্তগীসু য়াওহন্নবা কয়ারক হন্না খঙহল্লকখিবা লৈরে। অদুবু, ঙসি ফাওবা থবক ওইনা পাঙথোকপা লৈতে। হীরম অসিগী মতাংদা ঙরাং মুখ্য মন্ত্রি অমসুং গৃহ মন্ত্রালয়দা অইবা চেরোলশিং থাদুনা খঙহনখ্রে।

**খেমচান্দ (এল)ঃ** মুখ্য মন্ত্রি-য়ুমাম খেমচান্দনা ঙসি গেলেক্সি আইনা মীসন দ্রিস্তি

লোপ্ঞ তৌখিবা অসি ভারতকী ওইনা স্পেসকী লমদা য়ামমক শিংথানিংঙাই ওইবনি হায়রি।

অহানবা ওইনা প্রাইবেট সেক্তরনা শাবা মালেমগী অহানবা ওক্তো সার সেটিলাইট থমখিবা অসিনা নহা ওইরিবা ইনোভেটরশিংদা খুদোংচাবা কয়া ফংহল্লগনি। মুখ্য মন্ত্রিগী ৱারোল অমদা হায়-ভারতকী নহাশিংনা টেকোলোজিগী লমদা হায়নিংঙাই লৈতনা খুমাং য়াংনা চংশিল্লি হায়বদু তাক্লে।

**কার্ফিয়ু (এল) ঃ** থৌবাল জিলা অমসুং বিষ্ণুপুর জিলাদা হয়েং অয়ুক পুং ৫ দগী নুমিদাং পুং ৯ ফাওবা কার্ফিয়ু কোমথোক্কনি।

**মীখল ঃ** য়ুনিয়ন তেরিতোরি পুদুচেরি য়াওনা অসাম, কেরলম, তমিলনাদু অমসুং নোংচুপ বেঙ্গলগী ভোৎ মশিং হয়েং থিরগনি।

অসামদা হয়েং কাউর্ন্টিং সেন্টর ৪০ দা সিট ১২৬ কী ভোট মশিং থিনবা শেম শাবা লোয়রে। মসিগীদমক সেক্যুরিতিগী অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎলে। নুপী মীরেপ ৮৯ য়াওনা পুন্না মীরেপ ৭২২ গী মরাইবক হয়েং লেপ্পগনি।

নোংচুপ বেঙ্গোলদসু কাউর্ন্টিং সেন্টর ৭৭ তা হয়েং ভোট মশিং থিরগনি। তামিল নাদুদা কাউর্ন্টিং পার্সোনেল লিশিং ১০,৫৪৫ গা লোয়ননা মাইক্রো ওবজাভর লিশিং ৪,৬২৪ গা লোয়ননা ভোট মশিং থিনবা শেম শাবা লোয়রে হায়রি।

পুদুচেরিদসু ভোট মশিং থিনবা সেক্যুরিতিগী অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎতুনা শেম শাবা লোয়রে হায়রি।

অমরোমদা, নোংচুপ বেঙ্গলগী ফালতা বিধান সভা কেন্দ্রগী পোল্লিং ষ্টেসন ২৮৫ দা অমুক হন্না ভোৎ থাদনবা ইলেক্সন কম্মিসন্না লাউথোকখ্রে। হৌখিবা

য়ুমশকৈশা নুমিৎতা ভোৎ থাদনখিবা অদুদা ফালতা বিধান সভা কেন্দ্রগী পোল্লিং ষ্টেসনশিং অসিদা অরানবা তৌবগী পাউ লৈবদগী ইলেক্সন কম্মিসন্না অমুক হন্না ভোৎ থাদনবা ৱারেপ লৌখিবনি। ভোৎ থা অসিগী ২১ দা থাদনরগা, থা অসিগী ২৪ মশিং থীগনি।

**নিট ঃ** মেদিকেল তমবগীদমক নেসনেল ইলিজিবিলিতি কম এন্ত্রান্স টেষ্ট (নিট) য়ু.জিগী পরিক্ষা ঙসি লৈবাক শিনবা থুংবদা পাঙথোকখ্রে। নিট য়ু.জি পরিক্ষা অসি ইং কুমজা ২০১৯ দগী নেসনেল টেষ্টিং এজেন্সিনা পাঙথোক্তুনা লাকপনি।

কুমশিগী নিট পরিক্ষা অসিদা পুন্না মহৈরোই লাখ ২২ লিশিং ৭৯,৭৪৩ না শরুক য়াগনি। মসিগী মনুংদা নুপী কেন্দিদেটনা লাখ ১৩ লিশিং ৩২,৯২৮ নি। অদুগা নুপা কেন্দিদেটনা লাখ ৯ লিশিং ৪৬,৮১৫ নি।

**ৱার্কশোপঃ** পঞ্চায়েতি রাজ মন্ত্রালয়না ন্যু দিল্লিদা পাঞ্চয়ট দিবলপমেন্ট প্লানশিং শেম শাবগী মতাংদা নুমিৎ নিনিগী ওইবা জাতি থাক্কী ৱার্কশোপ অমা হয়েংদগী হৌরগনি।

নুমিৎ নিনিগী ৱার্কশোপ অসিনা পাঞ্চয়টকী চাউখৎ থৌরাংগী লমদা হেন্না মপাঙ্গল কনখৎহন্নবা থৌরাং অমা ওইরগনি। মন্ত্রালয়না হায়-ৱার্কশোপ অসিনা ২০২৬-২৭ কী পঞ্চায়ট দিবলপমেন্ট প্লানশিংদা শোয়দনমক কান্নবা ফংহল্লগনি। ৱার্কশোপ অসি পঞ্চায়েটি রাজ মন্ত্রালয়গী সেক্রেটরি-ভিবেক ভরদৱাজ অমসুং মন্ত্রালয়গী ওফিসিএলশিংগা লোয়ননা হৌদোক্কনি। ৱার্কশোপ অসিদা রাজ্য অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটোরিশিংগী পঞ্চায়টশিংদা হিংনবগী লম্বী, হকশেল, অঙাংশিংগী ওইবা সরকারগী থোরাংশিংগী মতাংদা কুপা খন্নগনি।

**হেলথঃ** হকশেল অমসুং য়াইফ য়ুন্বাল মন্ত্রালয়না রাস্ত্রিয়া বাল স্বাথ্যা কার্য্যাক্রম (আর.বি.এস.কে) টু পোইন্ট জিরোগী গাইদ লাইন ইকুই কুইদ্রিঙৈ মমাংদা

ফোংখ্রে।

নৌনা শেমখিবা ফ্রেমৱার্ক অদুদা ফোর-দিসকী মতাংদা ফোংখ্রে। মদুদি-দিফেক্ট এদ বার্থ, দিজিজেস, দিফিসেন্সিস অমসুং দিবলপমেন্টেল দিলেনি। মসিদা চহিগা চান্নদবা অঙাংশিং, নন-কম্ম্যুনিকেবল দিজিজেস, মেন্টেল হেলথ অমসুং বিহেবিয়ারেল কন্সরন্সসু য়াওরি।

মরুওইনা গাইদ লাইন অসিনা পোকপদা ঙায়রিবা অঙাংদগীনা চহি ১৮ ফাওবগী মনুংদা লৈবশিংদা মীৎয়েং থল্লি। মন্ত্রালয়না হায়-অঙাংশিংবু চপ মান্নবা মীৎয়েংদা য়েংদুনা হকশেলগী লমদা ফংফম থোকপা খুদোংচাবশিং অঙাং খুদিংমক্তা ফংহন্নবা থৌরাং পায়খৎলকপনি।

**ক্রিকেট ঃ** ইন্দিয়ান প্রিমিয়র লিক (আই.পি.এল) ক্রিকেটকী ঙসি হায়দ্রবাদকী রাজিব গান্ধি ইন্টরনেসনেল ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা মেটচ অমদা কোলকাতা নাইট রাইদরসনা সন রাইজরস হায়দ্রবাদপু ৱিকেট তরেৎতা থোইখ্রে।

**সোর্টঃ** ভুবনেশ্বরদা পাঙথোকপা ইন্দিয়ান ইন্দোর ওপন কম্বাইন্দ ইভেন্টস এন্দ পোল ভোল্ট কম্পিটিসনদা মধ্য প্রদেসকী কুলদিপ কুমারনা নুপাগী পোল ভোল্টতা নেসনেল রোকোর্ড থমখ্রে। চহি ২১ খক্তা ঙায়রিবা পোল ভোল্টর অসিনা মিটর ৫.৪১ চোংদুনা হান্নগী মমাংদা থল্লম্বা নেসনেল রেকোর্ড মিটর ৫.৪০ অদু থুগায়খিবনি। কম্পিটিসন অসিগী আউটদোর সিজন অসিনা হেন্না মীয়ামদা নুংঙাইবা কুম্মৈ অমা ওইহনগদৌরি। ইভেন্ট অসিদা মকোক মথংদা লৈরিবা পোল ভোল্টর অহুমনা গ্লাসকোদা পাঙথোক্কদবা কম্মনৱেলথ গেমস অমদি জপানদা পাঙথোক্কদবা এসিয়ান গেমসতা শরুক য়ানবগীদমক অকনবা লম্বা তৌনগনি।

**স্কৱাদ ঃ** আই.সি.সি ৱিমেন্স টি-ত্বেন্তি ৱার্ল্ড কপ ২০২৬ গী ভারত টিমদা

য়াওগদবা শান্নরোইশিং মীং লাউথোকখ্রে। বোর্দ ওফ কন্ত্রোল ফোর ক্রিকেট ইন ইন্দিয়া (বি.সি.সি.আই)না লাউথোকখিবা লিষ্ট অদুদা শান্নরোই ১৫ য়াওরি। হরমনপ্রিত কোরনা লুচিংবা ভারতকী টিমগী অহানবা মেটচ জ্ন ১৪ দা পাকিস্তানগা শান্নগনি।

ইংলেন্দনা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা ৱার্ল্ড কপ অসি মথং থাগী ১২ দগী হৌরগা জ্লাই ৫ ফাওবা চথগনি।